# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ কেলি পান্বী

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



ময়াম মমিং তাবিরব্রা অমদি মশক উবিরব্রা কেলি পান্বী? কেলি পান্বী ময়াম্না থোইদোক-হেন্দোক্না কদম নৎত্রগা কদম্বা পান্বী হায়না কৌনবা পান্বী অসি মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা পান্বী অমনি। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা কেলি চানা হায়দুনা হৱাই অফুৎপা অদুদা মরোয়-মপাং থাক্লগা শেন্বা অচাপোৎ অসি মীয়াম্না য়াম্না পাম্না চানবা অমদি মমিং চৎপা চিঞ্জাক অমনি। হায়রিবা অফুৎপা হৱাই চিঞ্জাক অদুবু করি মরমদগী কেলি চানা হায়না কৌনবনো হায়না য়েংবদা ওইথোকপা য়াবা মরম অনীখক লৈ। অহানবদা কেলি হৱাই অদু কেলি পান্বীগী অপাকপা মনা অদুদা হাপ্তুনা চাবা অমদি য়োমদুনা পীবা অদুগা অতোপ্পা অমনা হায়রিবা অফুৎপা হৱাই অদু নুপীশিংনা কেলি পান্বীগী মখোঙদা ফমদুনা য়োনবা অমসুং মীয়াম্না মদুদা ফমদুনা চানবদগী শোয়দনা ওইগনি।

কেলি পান্বী অসি ইংলিসতা বরফ্লোৱর ত্রী ( Burflower tree) নৎত্রগা লারন (Laran) নৎত্রগা কদম ত্রী (Kadam tree), হিন্দিদা রুদ্রক শাম্বা (Rudrak Shamba) নৎত্রগা বেলে (Bale) নৎত্রগা কদম্বা (Kadamba) নৎত্রগা কদম (Kadam) নৎত্রগা ভাঞ্জি (Vanji) নৎত্রগা এতুটেক (Attutek), বেঙ্গোলিদা কোদোম (Kodom), বর্মীজ দা মৌ (Mau) নৎত্রগা য়েমৌ (Yemou), ফিলিপিনোদা কাটওন বঙ্খাল (Kaatoan bankhal), ফেন্সতা কদম (Kadam), ইন্দোনেসিয়ানদা কেলিমপাজান (Kelempajan), জপানিজদা জাবোন (Jabon), থাইদা ক্রাথুম (Krathum) নৎত্রগা শুখোথাই (Sukhothai), ভিয়েটনামিজ দা গসতাৱশঙ (Gastawsng), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *নিওলামার্কিয়া কদম্বা (Neolamerckia cadamba (Roxb.) Bosser)* নৎত্রগা *নাওক্লিয়া কদম্বা (Nauclca Cadamba Roxb.) Bosser)* নৎত্রগা *নাওক্লিয়া কদম্বা (Nauclca Cadamba Roxb.)* নৎত্রগা *নাওক্লিয়া মেগাফাইলা (Nauclea megaphylla S. Moore)* নৎত্রগা *এন্থোসেফালস কদম্বা (Anthocephalus cadamba (Roxb.) Miq.* নৎত্রগা *এন্থোসেফালস ইন্দিকস (Anthocephalees indicus H.L. Li)* নৎত্রগা *এন্থোসেফালস মোরিন্দিফোলিয়স (Anthocephalus. morindifolius Korth)* নৎত্রগা *সামামা কদম্বা (Samama cadamba (Roxb.) Kuntze)* নৎত্রগা *সারকোসেফালস কদম্বা (Sarcocepalus cadamba (Roxb.) Kurz.* হায়না কৌই অমসুং *রুবিয়েসী (Rubiaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। কেলি পান্বীগী জেনেরা নিওলামার্কিয়া অসি ফ্রেন্সকী ফাওরবা নেচরেলিষ্ট হায়বদি প্রকিটিগী পান্বী শীংবীশিং থিজিন-হুমজিনখিবা Jean-Baptiste Lamarck পু ইকায়-খুম্নবা উৎপা ওইনা মহাক্কী মমিং লৌদুনা থোনখিবনি।

মপূং মরৈ ফারবা কেলি পান্বী অসি ফিট ১৫০ ফাওবা ৱাংই। পান্বী অসি য়াম্না থুনা চাউগনবা মতোনলোমদা চাং নাইরপ্পা মসা-মরেং পুঙবা অচৌবা উজাও পান্বীনি। পাউদমশিংগী মতুং ইন্না কেলি পান্বীগী উ অসি মখোক্তা দাইমিটর হায়বদি অথাবা অসি সেন্টিমিটর ১৬০ ফাওবা ওই। কেলি পান্বীগী লৈশিং অসি হেদ হায়না খঙনবা মতুম তান্না বোলগী মওংদা অকূপ্পা লৈশিং পুলপ্পা শাৎলি। লৈশিং অদু পান্বী অদুনা থাখ্রবা মতুং চহী ৬-৭ লোমদা শাৎলি। মপূং ফারবা লৈগী মকোক অমদা চাউরাক্লা মরূ ৮০০ লেম পাল্লকই অমসুং নুংশিৎ নৎত্রগা নোংগী ঈশিংনা অতোপ্পা মফমশিংদা পুদুনা চৎখি (Seed dispersal) । কেলি পান্বীগী হঙ্গাম মপাল মচুগী লৈশিং অদু নুংশিবা লৈনম চেল্লি।







পাউদমশিংগী মতুং ইন্না কেলি পান্বী অসি ইন্দিয়ন সবকোন্টিনেন্ট মরুওইনা ইন্দিয়া, বাংলাদেশ, নেপাল, শ্রী লঙ্কা, খা নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা কম্বোদিয়া, লাওস, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, ভিয়েটনাম, ইন্দোনেসিয়া, মলেসিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া অসিনচিংবদসু মহৌশাগী ওইনা হৌজে। কেলি পান্বী অসি হিমালয়গী হাইথরকপা নেমতক তৌবা মফমশিংদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা থেংনৈ। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা মরুওইনা অসাম, মণিপুরদা কেলি পান্বী অসি হৌবা থেংনৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা কেলি পান্বী অসি লাই হরাওবুং অমসুং লাই উমংশিংদা থানৈ অমসুং হৌবা থেংনৈ। বোটানিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী মতুং ইন্নদি নিওনাওক্লিয়া গ্রিফিথাই (Neonauclea griffithii (Hook.f.) Merr) হায়রিবা কেলি পান্বী মখল অসি মণিপুরদা হৌই।

কেলি পান্বী অসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী ইন্দিয়াদা থাজনবা অমদি চৎনবী কয়ামরুমগা শাগোন্নদুনা লাক্লি। কেলি পান্বীগা শাগোন্নবা ঈশৈ কয়ামরুমসু লৈ। পাউদমগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা পানখিবা অথামালীক হায়রিবা রাজ্য (Athmallik state) অদুগী এমব্লেম (Emblem) অদু কেলি পান্বীনা ওইরম্মী। অৱাং থংবা ইন্দিয়াগী লমদমশিংদদি কেলি পান্বী অসি শ্রী কৃষ্ণগা মরী লৈনৈ অদুগা খা ভারত্তদি কেলি পান্বী অসি পার্ভতী ত্রী হায়না কৌনৈ। পূক্লিং শুমহৎনা মনম চেল্লবা কেলি পান্বীগী মখোঙদা কৃষ্ণ অমসুং রাধানা নুংশি-নুংওনগী জগোয় শাখি হায়নসু পাউদমলি। অতোপ্পা ৱারী অমদনা গোপি গোপিকাশিংনা ফি থোংদনা পাৎ, পুখ্রি অমসুং তুরেলশিংদা ঈরুজবা য়াদে হায়না সমুদ্রগী ভারুনানা অথিংবা থম্বগী মায়োক্তা গোপী কয়ামরুম্না ব্রিন্দাবনগী পুখ্রি অমদা য়াম্না তোয়না মশাদা ফি থোংদনা ঈশিং মনুংদা কুমথদুনা তোয়না ঈরুজবা অদু পাড়া তন্বীগে হায়দুনা কৃষ্ণনা গোপিশিংনা ঈরুজরিঙৈ মফম অদুদা লাক্লগা তুমিন্না পুখ্রি মপান্দা থল্লিবা গোপিশিংগী ফিশিং অদু লৌরগা মনাক নকপা উপাল অমগী মশাদা য়ানখৎলগা মশামক উ অদুগী উশা অমগী মরূমদা তোংদুনা য়েংলম্মী। গোপীশিং অদুনা ঈরুজবা লোইরদুনা মপান্দা থল্লিবা ফিশিং অদু য়েংলকপদা মখোয়না থল্লম্বা মফম অদুদা অমত্তা লৈবা উখিদে। মখোয়না অসুম কোয়না য়েংলকপদা মখোয়গী ফিশিং অদু উ পান্বী অমগী মসাদা য়ান্দুনা লৈবদু উখিবগা লোয়ননা কৃষ্ণসু উশা অদুদা তোংবা উখিবদুদা গোপিশিং অদু য়াম্না ইকায়খিদুনা ঈশিং মনুংদগী মথক্তা কাখৎলকপা ঙমখিদে। কৃষ্ণনা ফিশিং অদু কাখৎলক্লগা লৌনবা লক্লখি অদুবু গোপিশিং অদুনা কাখৎলকউ য়াখিদে। গোপিশিংগী ফিশিং য়াল্লিবা অমদি কৃষ্ণনা তোংলিবা উ অদু কেলি পান্বীনি হায়না পাউদমলি। মতম অমদা কর্ণাটাকাদা পাল্লম্বা কদম্বা লৈবাক অদুবু ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা কর্ণাটাকা লৈঙাক্লা ঙসিসু চহী খুদিংগী কদম্বোটসভা (Kadambotsava) হায়বা কুম্মৈ অসি পাঙথোক্লি।

কেলি পান্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। পান্বী অসিগী মপান অমসুং মহয় অসি মীওইবনা চাননবগী পাউদম লৈ। কেলি পান্বীগী মনা অসি শা-ষণগী অফবা শজিক অমা ওইনা পীজনৈ। কেলি পান্বীগী মরাগী মকুদগী হঙ্গাম মপাল মচুগী মচু অমা শেম্নৈ। ইন্দিয়াগী অটার (Attar) হায়না কৌনবা মীওইবগী হকচাংদা মনম নুংশিনবা কাপ্পা নৎত্রগা তৈবা থাউ মখল অসি শাবদা কেলি পান্বীগী মপালদগী লৌবা থাউ অসি মরু ওইবা মচল অমা ওইনা য়াওরিবনি। পাউদম অমগী মতুং ইন্না কেলি পান্বীগী উগী মকু ফুৎলগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা অরূম-লাইহৌ তৌবা অসিদা লায়েং হীদাক ওইনা কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি। কেলি পান্বীগী মনা অদু পোপলি-পোপলি শুগাইরগা ঈশিংদা পুং ৩-৪ রোম তীংদুনা লৌবা মহী অদুনা চীন-য়া তেংথোকপদা চীন-য়াদা লৈবা মহীক-মতাংশিং হাৎপা ঙম্বগী মথক্তা শ্বর মনম নমথীবা অদুদসু কান্নহনবগী পাউদমশিংসু লৈ। কেলি পান্বীগী উগী মকু অমসুং মনা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু মখল খরগী কোকফাই শুজা (Aspergillus fumigatus অমসুং Candida albicans) অসি হাৎপা ঙম্মী হায়নসু পাউদমলি। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুং ইন্না কেলি পান্বীগী মনা অদু য়ুদা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিং মরুওইনা মলেরিয়া, দেঙ্গু, চিকনগুনিয়া, ফিলারিয়াসিস অমসুং জপানিজ এন্সেফলাইটিস অসি ঙাকথোকপা ঙম্মীহায়না বিজ্ঞান্না চাংয়েং পাঙথোক্তুনা খঙবা ঙমখ্রে। কেলি পান্বী অসি দাইবেটিস অমসুং অপোম-অতং তৌবদসু থোইদোক্লা কান্নবগী পাউদমশিং লৈ। কেলি পান্বী অসি চৈনা ঙাকথোকপা (Analgesic) অমসুং খোঙ হামথবদসু হীদাক ওইনা মফম কয়ামরুমদা শীজিন্নবগী পাউদমশিং ঐখোয়না থেংনৈ। |◀◀

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## “অখোইবা লম্বী করম্বা মতমদা চুল্লগবা”

ইকাই খুম্নজরবা এদিটর,

অসুম্না পানরি, চহী ৫৬ খৃষ্টাব্দ ১৮৯১ দগীনা ১৯৪৭ ফাওবা বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক মখাদা য়াম্না ৱানা লৈজরম্লবসু লৈঙাক্কী চুক্লি ফাওবদি ইশাগী ওইবা নিংথৌগী খুৎতগী মুনবদি তৌখিদে হায়না ইবিরম্বা থেংনজে। অৱাবা মায়োক্নবদি থেংনখিদবা নত্তে, মসিগী মনুংদা নিংথৌ মচাশিং পূকচেল খোইজেল তিন্নদবনা মরম কয়ামরুম অমসুনি। মতমদুগী খূদম ওইনা মণিপুর হায়না খঙনরিবা অসি হান্না মীত্রবাক কৌরমই, মীতৈরোলবু মণিপুরী লোল হায়নসু ওন্থোকখি। লৌশিং শিংবা বৃটিশনা চীংমীগী মতেং লৌদুনা খুদুম চনখিবনি হায়নসু অইবশিংগী খুৎয়েক থম্বীরমই। মতমদুগী কল থৌরবা মীতৈ অথৌবা কয়ামরুম নোংমৈগী মমাংদা থাঙগী জগোই শাদুনা মীত্রবাক কন্নবা হোৎনবদা মথ্বায় কৎখি। অসুম্না মথং মথং চৎথরকপনা য়ুম মনুংদা মহু পানবা লিলগা পূন্না লৈবগা পাঞ্জক ওইদুনা লিলগী মহুনা কামথোরক্তুনা মপা-মচা, মচিন মনাও, মরূপ-মপাং ঈশিংগা থাওগা তিন্নবা য়াদবগুম খুন্নাই অসিসু চপ মান্নদুনা য়েলহৌঙৈগী কাঙলূপ মশেল মরক্তা অমনা অমবু অসুক তুক্কৎচবা ওৎ-নৈবা থৌওং ঙল্লিঙৈগী পুৱারীদা তৌখিবগী থৌওংদু ঙসি ফাওবা কোকপা ঙমদ্রি। ইরমদম অসিদা পোকখিবা মীয়ামগী য়াইফনবা তৌরম্বা ইচং থৌবা লৈখিদ্রবা অথৌবশিং নীংশিংনরি নৌহৌনা ঙসি ফাওবা। থম্বীরমই মখোয়শিং অদুগী ৱাখল্লোন কনানা তৌহৌনি ঐখোয়গী ইথৌশিংসি হায়বীরমই পূন্সি লোইরমদাই মতমদা কয়াদা ফজখ্রবা পাউখোংনো। লৌশিংনা মৈরানি, ৱাখলনা কোরফুনি, মঙালনা মিংশেলনি অদুগা কথোকপা অচুম্বনা পূন্সিগী পান্দমনি পোলোইসিদা। হৌজিক্কী চৎলিবা ঈচেলনা থক-খা ওন্নবা শিলোক ওইনা থিরি মীটিংদা, টি ভিদা, মন্ত্র শোল্লি চিনফা লাইৱা-তিনৱা অঙম্বা হৈজবী থাদুনা হৈজ-শিংজবা ৱাখল পুথোক্তুনা ঙাঙনরি লাউনরি, অৱাই-অখুম্না ৱাহৈগী তেন লিরুং পায়দুনা। অফবা ঙাক্তনি মালেম অসিদা শক্তাকপদা মাংজিল থাহন্নিংবা খোরিরোল লিশাং শীৎনা মসিরা ইরমদম নুংশিবগী লমজিং লমতাকসিবু। অথৌবশিংদি খনবীখি মুৎহলনিংদবা থৌনাসি মঙালদু মায়কৈ শিনবা থুংনা তুংলমচৎকীদমক শিরমদাই মীৎকুপ ফাওবদা। হৌজিক্তি মমায় চুম্বদা ৱারবা লিক্লমদা থেক্লা খোইনা চৎলিবা ঙসিগী খুন্নাইদা হৈথরক্লি কুমগী নোংগুম ফত্তবা ওইদবা কয়ানা অমম্বগী অমম্বা অমুবা নোংথাংগুম মালেমগী ফম্বাকসিদা।

নৌনা হৌরক্লিবা কয়াবু লমজিং-লমতাক তৌরিবা কয়ানা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী লমজিং মখাদা মপা-মপুনা থম্বীরম্বা লৌ ইঙ্খোল, ফুরা দলাল, সনা-লুপা অমসুং শেল-থুম খূদিংমক কায়দুনা য়োন্দুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা লায়চুরবশিংগী লমজিং লমতাক্লা থল্লবা খুন্নাই তুংগী মচা-মশুনা করম থোক্লগবা...? অচৌ-অশাং লুচিং পুরেলশিং কয়ানা শাহিং চাবা অকনবা নোংশাগুম মখৌ পোংনা মপান ফরিঙৈ মতমসিদা মরা তানা হৌরবা পান্বীনা য়েন্নিং হুন্দুনা শারেপ ফারবা উপালগুম্না। লাক্কনি কাউনরি মতমগী খোঙচৎ মতুংইন্না মায় পাকপসু মায়থীবসু মীওইবগী খোঙচৎসিদা। পোক্লবদি নোংমা শোইদনা শিনি খঙনা হিংবা তাইবংগী খোঙচৎকী ফম্বাক অসিদা ফত্তবা লোনচৎ, ওইদবা ৱাঙাঙ, অকনবনা অশোনববু য়োৎলগে মতাগুম নোংমা কাংদে ৱাথোক কয়ানা মফম খূদিংদা নিল খোংই। মীওই কয়ানা লাউনরি মান্নবা খুন্নাই শেমসি, লায়রবা য়োকখৎসি, তোল্লববু কনবিসি, মসিগী ওন্ন-তৈনবদা নোংম-নোংমগী ঈশিং ঈচাওগী মতৌগুম অনেম-অৱাংগী থাক হেনগৎলি। ফত্তে খঙনা খঙনা অরানবনি উনা-উনা চৈরাক ফংগনি, শিগনি খঙনা মশা মশাগী ওইজবা মীহৌবা নুংঙাইবা পাম্বনা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিবসি উনা-উনা থি নেৎপগী মওংনি। খন্থনদে মীগী থৱায়দি মীগীনি শিবা নাই কাউথোকই, লাইগী থৱায়দি লেংলি পাল্লিবা অচৎ-চত্তা থৱায় পানবা-পান্দবা পূম্নমক্কীনি কাউদুনা। ৱাখল-লৌশিং খরা ৱাৎলবা, মতু শোল্লবা, লৌশিং শিংঙৈ মতাগুম, পাঙ্গল কল্লে মওংগুম কাং-হয়িংগুম উরবা মতমগী নোংলৈ নুংশিৎ অকনবা অদুবু অশোনবা অপিকপা কাং-হয়িংশিংনা শিবা য়াবা লায়নাদি ইরায় লায়না শন্দোকপা ঙমই কাউফরোই থমজনিংই, অশোনবগীসু থৌনা লৈজে। উনা-উনা মমীৎ তাংলবা, তানা-তানা মনা পংলবা, খঙনা-খঙনা খঙশিন্নদ্রবা, অপাম মীহৌবনা থল্লবা অসিবু করম্বা মতমদা লৈরোইদগে, অতোনববু য়োকখৎকদবা মীহৌববু তোক্কদবা খঙবদা ৱারবা পোকপদা হরাওদবা শিবদা হরাওবা মতম ওইরবনি। খ্বাইদগী মরুওইরিবদি হৌজিক চৎনরিবা লোনচৎ তৌনিংবদা তৌবা, অপাম্বদা তৌরবা, পূক্লিংগী ৱাখলবু পাঙথোক্লবা হোৎনবদা পুন্সিবু শান্নপোৎ ওইনা উরিবা অসিনি।

ওইদবা ৱাহৈগী লাংদা অওইবা ওইরবোই নীংদুনা হাইগৎ লাংদা থুদুনা তোল্ল-তারবী কয়া খূদোংথীরিবা অমসুং পূন্সি পীখম্নরিবসি মতমগী মোবাইসিনরা। অচুম্বগী খোঙথাং, অতোনববু ঙাকপী শেনবীদুনা, অহলগী য়াথংবু পাউতাক ওইনা লৌগদবা অঙম-অথৌশিংগী অচুম্বা মীৎয়েং মখাদা মান্নবা খুন্নাই করম্বা মতমদা লাক্কদগে খনবদা ৱারবা ঙসিগী খুন্নাইনি। নৎত্রগনা ঈশিংগী পাত্রদা মচু খরা (মচুগী পাউদর) থাদরগা অরূবা ঈশিংদু মচু ওনবদৌনা ফত্তবনা য়োৎশিনখিদুনা অশেংবা অচুম্বা লম্বী ফংবা ঙমদদুনা অচৌবা থৱায় পানবা অঙম্বনা অশোনবা অপীকপা থৱায় পানবা ফাদোক্তুনা চাখিদুনা মাংখিগদ্রা মীপাইজে মতমগী চৎনরোলসে। অপূনবা শক্তম্না খূৎশম্নদুনা নুংঙাই য়াইফবা, তংদু লৈতাবা ওইহনবীরো হায়না য়াইফ পাউজেল পীজরি। শেম্বীবা ঙম্বা ওইসনু ঈশ্বরগী থৌজালনা।

অদোমগী - অথোকপম তোম্বা, ৱাংখে য়োংলাল লৈরক, ইম্ফাল

## মণিপুরদা লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুলশিং শিথরকপা কনাগী মরাল ওইফম থোকপগে?

ইকাই খুম্নজরবা এদিটর,

মণিপুরগী মহৈলোইশঙ কয়াসি মখল য়াম্মী। লৈঙাক্লা মশক খঙদবা লন্নাইগী স্কুলশিং, লৈঙাক্লা মশক খঙবা লন্নাই স্কুল, লৈঙাক্কী ওইবা স্কুল, অমদি লৈঙাক্কী মতেং ফংলবা এদেদ স্কুল অসিনি। মথক্কী স্কুলশিং অসিদা মণিপুরগী মহৈরোয় লাখ কয়ানা মহৈ তল্লিবনি। মসিদা ১০০গী মনুংদা ৭০ মুক্লা লন্নাইগী মহৈলোইশঙদা অদুগা ৩০ মুক্কী চাংন লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুলশিংদা তম্বা অসিনি। মশিং য়ামখ্রবা মহৈরোই কয়া থোমজিন্নরিবা লন্নাইগী স্কুলশিং অসিদা মহৈ তম্বদা পৈশা অঙকপা ফংনা চংবা অসিনি। অদুনা মণিপুরগী লন্নাই স্কুল লিংবা কাঙবুংনা শেন্দান লম্বী ওন্থোক্তুনা অঙকপা ফংনা পৈশা তান্দুনা পায়নরি। মণিপরগী মীওই অয়াম্বা শেম্থোক লম্বী মরাং কায়জদবা লৌমী শিন্মীনা অয়াম্বনি। মীওই খুদিংনা পৈশা য়াম্না চাদিং তৌদুনা লন্নাই স্কুলশিংদা মচা-মশু থাজিনবা অসিনা মীওই কয়াদদি শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্নরকপা হায়বসি লৈঙাক য়ৌনা অৱা মৈশা লাংবা তারক্কনি। ঐখোয়গী মীওই খুদিংমক সেন্টরদগী নিরগা হিংনবা ঙাক্তনি। লৈঙাক্কী পৈশাগী অৱাবা মায়োক্নরক্লবদি মীচম-প্রজা ৱাবা মশানা তাবনি। অদুগা মীয়াম্না ইকোনোমিগী ফিভম ফরবদি লৈঙাক্তা অৱা মৈশা লাংদনবা অচৌবা মচাক অমনি। মরম অসি লৈবনা মীয়ামগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎনবা মখোয়গী মচা-মশু কয়া পৈশা তিংদবা স্কুলদা তমহন্নিংবগী অপাম্বা পোকহন্নবা লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুল কয়াগী ফিভম ফহনবা অসি য়াম্না তঙাই ফত্ত্রা হায়বা ৱাফম লাক্লিবা অসিননি। লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুল কয়া লেম্না অমদি মতিক চাবা এদ্যুকেন ফজনা ফংহনবা ঙমফম থোকই। ঙসি লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুল কয়াগী ফত্তবা ফল লাকপসি মতম মতমগী লৈঙাক্লা য়েংশিনবা ৱাৎপননি হায়বদা লাল্লরোইদবা ৱাফমনি। দিরেক্টর অমদি জে ঈ ওগী মখাদা লৈবা স্কুল লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুলশিংগী ওজা কয়ানা মথৌ নীংথিনা তৌনিংদবা হায়বসি মরী লৈনবশিংনা চেকশিনবা ৱাৎপননি। অমরোমদা ওজা কয়ানসু য়েংবিনবা য়াওদবদগী মথৌ তৌনিংদবা অসিসু য়াম্লমক লাইবক থিবনি। মতাং অসিদা লাক্লিবা ৱাফমদি দিরেক্টর, জেৎ ঈ ও অমদি লোকেলগী মীয়ামগী মথৌসু অচৌবা অপুনবা মীৎয়েং চঙফম থোকই। মরু ওইনা লোকেলগী মীয়াম্না মাগী মাগী মচাশিংবু পৈশা তিংবা লন্নাই স্কুলদা থাবগী মহুৎ মচা-মচানা তম্বা য়াবা লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুল কয়া কুপ্পা য়েংশিনবা মতমদা ফত্তবা অমত্তা লৈরোই। অতোপ্পা অমনা করিগুম্বা মফমদা ওজা ময়ামদি লৈবা মহৈরোয়দি খরা হন্থবা অমসুং মহৈরোয় মরাং য়াম্না কায়বা ওজাগী মশিং য়াম্না হন্থবা অসি ঐখোয়না তত্তনা থেংনবা অমখক্লি। মরম অসিসু ঐখোয় পুন্না লন্নাই স্কুলদা য়েংশিনবগুম য়েংশিনবা মতমদা শেলসু তিংলরোই অফবা অঙাংসু পুথোকপা লায়না ঙমগনি।

নাকল অমরোদা ঙসিগী মণিপুরদা লৈরিবা এদেদ স্কুল অসি ৬০৫ নি। কুমজা ১৯৮০ গী ওক্টোবর ১ দগী লৈঙাক্লা গ্রান্ট পিবিদুনা মথৱায় হাপপিখিবনি। গ্রান্দ পিবদা ওজা ইলিমেন্টরিদা পোষ্ট ২২ অদুগা সেকেন্দরিদা কেরান্নি অমা য়াওরগা পোষ্ট ৪/৪ ফংহনখিবনি। অমুক্কা কুমজা ১৯৮৬ অসিদা প্লানগী পোষ্ট ১/১ স্কুল খুদিংদা পিদুনা পুন্না পোষ্ট ১৭৪৩ লৈরকখিবনি। মসিগী তুংদা লৈঙাক্লা স্কুল ২২ মথং মথং অরোনবদা সরকারগী ওইনা লৌশিনখিদুনা হৌজিক স্কুল ৫৮৩ মুক্তা ঙাইরবনি। মসিগী মথক্তা ফিলদা চৎপীদুনা চানবা পোষ্ট হাপজিনবসু নত্তবীদা স্কুল খরদা পোষ্ট মশিং ১০ শুনা ফংবা য়াওনখ্রে। মসিনা এদেদ স্কুল অসি লৈঙাক্লা করম্বা মীয়োংদা থম্বীবনো ? মসিনি ঙসি লমদমসিগী মীয়াম মরক্তগী লাক্লিবা ৱাফম। অমুক্কা এদেদ সেকেন্দরিদা হিন্দি ওজা ১/১ পীবীদুনা লৈরম্মী মদুসু সেন্টরনা ১০০ দা ১০০ পুথোকপীদুনা চলাইরম্বা অদু কুমজা ২০০২ দা সেন্ট্রেল লৈঙাক্লা ককথৎপিবা অসিসু অরুবা দশা অমনি। মসিমক ওজা কয়ানা কোর্টতা হোৎনদুনা সেন্টরগী ঐচ আর দিদগী কয়ারক কমমেন্দ পিরকখ্রবসু ঙসি ফাওবা তাদনা ফাইল কয়া মাঙহন্দুনা ওফিসতা নমশিন্দুনা থম্বীরি। মসিদবু করম্বা স্কুলগী ওজানা হৈনিংবা পোকফম থোকপগে? অমুক্কা এদেদ স্কুলগী ওজা অমনা ফংলিবা শেনফমসি অহৌবদা লুপা ৯৫০০ অসিনি। মসিদা স্কুল অমদা সেকেন্দরিদা য়ামদ্রবদা ওজা ১৫/১৬ তগী তাদনা অৱাবা খাংলিবনি। মসিদা ওজা খরগী অপীকপা শেনফম্না য়েন্নদুনা চামিন্নবনি। মতমসিদা চানবা শেনফম ওইদে। মতমসিগা চানদবা পোৎ হায়বসি মশানা অদুম শিথরকপা তাবনি। লন্নাইগী স্কুলদা তাম্বা ঙমদবা লৈত-লাইরগী মচা কয়া অমা লৈরিবনি। অমুক্কা লন্নাই স্কুলদা চংউরগা হন্দোরকপা মহৈরোয় কয়া অমসু ঙসিমক লৈরি। মখোয়শিং অদুগী চংফম এদেদ স্কুল অমদি লৈঙাক্কী স্কুল ঙম্নমক মুৎখ্রবদি মখোয়গী চংফম কদায়দনো? মসিমকসু খরা খন্থবা লৈঙাক্কী মথৌ নৎতবরা? কুমজা ১৯৮০ দগী ঙসি ফাওবদা হন্না তুনা য়েংবীদ্রবদা করম্বা স্কুল ফরক্তুনা অফবা মহৈরোয় পুথোক্কনি। পুম্নমক অসুম্না লৈরবদা করম্বা ওজা কনানা মথৌ নীংথিনা তৌনিংগনি। এদেদ ওজা কয়া নিংবা কায়না ঙসি হিংলি হায়বসি লৈঙাক্লা খন্থবা মথৌ তারকই। ঙসিগী লৈঙাক্লা মীয়ামগী য়েংদুনা মতেং কয়া পাংবগী ৱারী কয়া তারি। অদুবু এদেদ ওজা কয়া চহী ৩০/৪০ স্কুলদা থবক তৌরক্লবা অসিদা চহী ৬০ শুরদুনা মচানা মমৌনা থৌওইনা তৌবীদ্রবা থবক্তগী পোৎথারবা ওজা কয়া অমা লৈরিবা অসিগী ফিভম অসি লৈঙাক্লা য়েংবিদবা হায়বসি খ্বাইদগী লাইবক থিবনি। মসিদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং অমা থম্বীফম থোকপনি। পুম্নমক অসি শুপচিনজরগা লৱায়-থৱায় মীচম প্রজাগী পুন্সিগী শেল থুমগী মরমদা লৈঙাক্কী অচৌবা থৌদাং চংই। অদুতসু নত্তনা স্কুলদা টেক্স, য়ুনিফোম, স্কুল বেগনচিংবা ফ্রি ওইরগা স্কুল খুদিং মহৈরোয় মপুং ফানা লৈহন্দুনা খুদিংমক্কী অৱাৎ অপা লৈতনবা হোৎনদ্রবদি শেল-থমগী ফিভমসু ফরোই মীয়ামসু মচা শেন্বদা অৱাবা মায়োক্লগনি। ঙসিগী মণিপুরগী ফিভম য়াম্না লুবা মতম অমা ওইরবনি। চিন্দদি স্কুল কয়া শঙ্গাবা কয়াৎ পোরম কয়া থম্বীবা থবক ওইনা মদুগী মহৈ ফংনবা হোৎনবদি অরুবা লৈরিবনি। হীরম খুদিংগী শেন্দোন্না খ্বাং কোইরিবনি। অসুম্না নাকল অমরোমদনা হোত্রোং হোনা লৈরিবনি। অসিগুম্বা অহোবা ময়াম মেন্নবা লৌমীদা পৈশা পীবগী প্রোজেক্টনা ওইবা য়ারোই। মণিপুরগী লৌমী অয়াম্বা মশা মশাগী লৌফম লৈতনা ইনাকখুনবা কয়াগী লৌ উরগা অরেম্বা খরনা ইমুং মনুং শিন্নবা ঙাক্তনি। অয়াম্বা লৈঙাক্কী শেনফমদি লৌয়াম চাবা ইনাকখুনবগী খুৎতা লৈখিগনি। লৌমীনদি য়াম্না তানা ফংগনি। মসিমকসু লৈঙাক্লা খঙবিবা চুমগনি। পুম্নমক অসিগী মহুৎ লৈঙাক্লা লৈত-লায়র মীয়ামগী মচা শেম্বদা চঙগদবা শেনফম কনবা ঙম্নবা লৈঙাক্কী স্কুল অমসুং এদেদ স্কুলগী ফিভম লন্নাই স্কুলগা মান্ননা ফংহন্দুনা লমদমসিগী অঙাং খুদিং লেম্না মহৈ তমহনবা ফংনবা হোৎনবিবনা পৈশাগী ফিভম ফগৎকনি অদুগা লৈঙাকসু অৱা মৈশা লাংবা ফগনি। ঙসিগী মীয়াম্না ৱারিবসি মচা শেম্বদনি ইমুং অমগী অঙাং অমা শেম্বদা মমা-মপা কয়াগী অৱাবা থৌদাং অপুম্বা ঙসিগী লৈঙাক্লা নাকোয়ননা পুবিদুনা শেলগী থুমগী অৱাৎ-অপা লৈতবা মীওই ঙাক্তা লৈহনফম থোকই।

অদোমগী - এম থম্বৌ, ককচিং খুনৌ হিজম লৈকায়

## মরোল থোকপা লাই

